
# কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংগা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): মালেমগী লৈবাক ২০৪দা শন্দোরক্লিবা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা মীওই ১০,৪১,১১৯ শোকহল্লবা মতুং মীওই ৫৫,২০৩ শীহনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াদা মীওই ২,৫৬৭ নাহল্লবা মতুং মীওই ৭২ লায়না অসিনা শীহনখ্রে। ফিভম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চয়োল অহুমগী ওইবা লোকদাউন লৈবাক শীনবা থুংনা চৎনহন্দুনা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা অহেনবা এৱ্যেরনেস পীননবগীদমক লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় ৪০ হেনবগা লোয়ননা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শান্নদুনা মখা তারকপা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মমাঙ থাগী ২৪দগী হৌরগা এপ্রিল ১৪ ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা লোকদাউন অসিনা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চেন অদু থদৎনবা হোৎনরকপনি। লৈবাক অসিদা পেসেঞ্জর পুবা এয়র ফ্লাইট, রেলৱেজ অমদি ইন্টরষ্টেট বস সার্ভিস পুম্নমক লেপহনখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা নোংমগী খুৎশুমল তাল্লগা ইমুং মনুং চল্লাইরিবা লেবর কয়াসু হান্না অমুক্তা থেংনখিদ্রবা মওংদা অৱাবা মায়োক্লরি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নোংমগী খুৎশুমল তাল্লিবা লেবরশিংগী ওইনা অখন্নবা পেকেজ অমা লাউথোক্তুনা মতেং পাঙনবা হোৎনরি। চয়োল অহুমগী লোকদাউন অসিনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা মীওই ২৫৬৭ কোবিদ-১৯না নাহল্লিবসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হেল্থকী এক্সপার্ট শিংগা লোয়ননা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ৱারুসু ৱানা লৈবাক অসি শীনবা থুংনা শন্দোকপা ঙমদনবা পায়খৎপা খোঙথাংনি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা মীওই ১০,৪১,১১৯ শোকহল্লবা মতুং মীওই ৫৫,২০৩ শীহনখ্রবনি। শন্দোরক্লিবা লায়চৎ অসিগী মতাংদা ইহান হানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় ৪০ হেনবগা ভিদিও কনফরেন্সিংদা ৱারী শান্নদুনা শান্নরোয়শিং অসিগী খুত্থাংদা লায়না লাইচৎ অসি নেমথননবা এৱ্যেরনেস মখা তানা শান্নরোয়শিং অসিনা পীখিনবগী পান্দমদা ৱারী শান্নখিবনি।

পি এম কেয়র্স ফন্দদা শান্নরোয় কয়ানা শেলগী মতেং পীরকপা লৈখ্রবনি। শান্নরোয় খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনগী মায়কৈদগীসু শেলগী মতেং পীরক্লি। হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ থিংননবা অকক্লবা হিদাক পুথোকপা ঙমদ্রি।

পনবা য়াই, মালেমগী ওইনা ঙসি ফাওবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা মীওই ২,২২,৩৩২ ফংহনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনসু মীওই ১৯২দি কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা নাহল্লম্বদগী ফদুনা ময়ুমদা হনখ্রবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ভিদিও কনফরেন্স অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা আয়ুস মিনিষ্ট্রি (মিনিষ্ট্রি ওফ আয়ুরবেদ, যোগ এন্দ নেচরোপেথি, উনানি, সিধা অমসুং হোমিওপেথি)গী মায়কৈদগী পীরকপা কাংলোনশিং অদু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংদা মখা তানা মদুগী মরোলশিং শন্দোক্নবগী ৱারী থমখি।

ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- এম সী মোরি কোম (বোক্সিং), সাইখোম মিরাবাই (ৱেথলিফটিং), মহেন্দ্র সিংহ ধোনি (ক্রিকেট), ভিরাট কোলি (ক্রিকেট), রোহিত শর্ম্মা (ক্রিকেট), শৌরব গঙ্গুলি (ক্রিকেট), সচিন তেন্দুলকর (ক্রিকেট), বিরেন্দ্র সেৱাক (ক্রিকেট), যুবরাজ সিংহ (ক্রিকেট), চিতেশ্বর পুজারা (ক্রিকেট), জহির খান (ক্রিকেট), মহমদ সামি (ক্রিকেট), বজ্রং পুনিয়া (রেষ্টলিং), য়োগেশ্বর দত্ত (রেষ্টলিং), মমথা পুজারে (কবাদি), ভিনেস ফোগৎ (রেষ্টলিং), পি ভি সিন্ধু (বেদমিন্টন), পি টি উসা (এথলেটিক্স), হিমা দাস (এথলেটিক্স), নিরস চোপ্রা (এথলেটিক্স), অভিনাস সাব্লে (এথলেটিক্স), কে তি রিফান (এথলেটিক্স), বিশ্বানাথন অনন্দ (চেছ), রানি রাম্পাল (হোক্কি), বৈচুং ভুটিয়া (ফুটবোল), অঞ্জু বোবি জোর্জ (এথলেটিক্স), দিপিকা কুমারী (আর্চরি), অপুরভি চান্দেলা (শুটিং), গগন নারং (শুটিং), অভিসেক বর্ম্মা (শুটিং), মনু ভাকর (শুটিং), সরদারা সিংহ (হোক্কি), তরুনদিপ রাই (আর্চরি), অমিত পনঘল (বোক্সিং), লোবলিনা বোরগোহেন (বোক্সিং), সিমরঞ্জিৎ কোর (বোক্সিং), রোহন বোপনা (টেন্নিস), অনকিতা রাইনা (টেন্নিস), সাই প্রনিথ (বেদমিন্টন), শ্রিহরি নত্রাজ (স্বিমিং), হরমিত দেসাই (টেবল টেন্নিস), জেরিমি (ৱেথলিফটিং), অসান্তা সরতকমাল (টেবল টেন্নিস), ভবানি দেবী (ফেন্সিং), সরদ কুমার (পেরা এথলিক্স) অমসুং প্রমোদ ভগত (পেরা বেদমিন্টন)নি।

# কোংকোং, লিয়ানলিয়ান অমসুং সেনসেননা ২০২২ এসিয়ন গেমসকী মেসকোট ওইরগনি




হাংঝৌ, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): চাইনাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা হাংঝৌদা য়ুনাইটেদ নেসন্সগী মখাদা হেরিটেজ সাইট অমা ওইরিবা মফম অসিদা কুমজা ২০২২ এসিয়ন গেমস পাঙথোক্ল বগীদমক্তা য়ুনেস্কো ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটকী মফম অমা উথোক্তুনা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা এসিয়ন গেমসকী ঙসি কোংকোং, লিয়ানলিয়ান অমসুং সেনসেন অহুমগী ওফিসল ওইবা মোসকোট অদুগী মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা মশক খঙহনখ্রে।

চাইনাগী সিটি হাংঝৌ অমদি জেজিয়াংদা পুন্না পাঙথোকমিন্নগদৌরিবা এসিয়ন গেমস ২০২২ অসিগী ওফিসল ওইনা মেসকোট অহুম অসি ওনলাইনদা মীয়ামদা খঙহনখিবনি।

কোংকোং রোবোটনা চাইনাগী লিয়াংজু সিটিগী লিরবা অকায় অতোই নংলবা মফম অদুবু মীয়ামদা খঙহনগদৌরিবনি। কোংকোংগী মমিং অসি চহী লিশিং ৫গী মমাঙদা লিয়াংজু সিটিগী লৈরম্বা মমাংঙৈগী শক্তম অদু উৎপনি। নাপু মচু ওইদুনা মালেম অসিগী শক্তম উৎলি।

লিয়ানলিয়ান হায়রিবা রোবোট অসিনা অমুক চাইনাগী হাংঝৌগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা লৈরিবা ৱেষ্ট লেক্কী শক্তম লৌগদৌরিবনি। মমিং অসিনা থম্বাল য়াম্না ফজনা শাৎপা মফম অমা ওইরিবা ৱেষ্ট লেক্কী শক্তম অদু মীয়ামদা খঙহনগদৌরি। লোয়ননা অহুমশুবা রোবোট ওইরিবা সেনসেননা চাইনাগী কোনুং সিটি ওইরিবা বৈজিং অমদি হাংঝৌ গ্রান্দ কেনেলগী মশক তাক্কদৌরি। মেসকোট অসিগী মচু অশংবা ওইদুনা জিব পানবা অমদি মহৌশাগী খুৎশেমগী মচু অদু উথোক্লি।

সেনসেন হায়না মিংথোল্লিবা মেসকোট অসি চাইনাগী গ্রান্দ কেনেলগী শরুক অমা ওইনা লৈরিবা হাংঝৌ সেক্সনগী গোনসেন ব্রিজতগী মমিং লৌরগা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী ওইবা মচু ওইনা লৌরিবা হিগোক (ব্লু) ওইহল্লি। ১৯শুবা এসিয়ন গেমস অসি কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ১০দগী হৌরগা ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

# শান্নবা লেপখ্রবসু আই টি টি এফ ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অহোংবা লৈরোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী শান্নবগী ইভেন্টশিং লেপহনখিবগী মনুংদা ইন্টর্নেসনল টেবিল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ)গী মখাদা মশান্না অসিগীসু ইভেন্ট কয়া পাঙথোকপা লেপখ্রবসু হান্না লৈখিবা মশান্না অসিগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা লৈরিবা অদু হোংলোইদৌরি।

আই টি টি এফনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ওইনা লৌখৎপা মকোক মথং তাবগী পরিং অদু এপ্রিল ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফেদরেসন অসিগী একজিক্যুটিব কম্মিতিনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগা হান্না লৈখিবা পরিং অদুদা হোংদোক্তনা ফোঙদোরকপা য়ানা লৈরি।

অনৌবা মকোক মথং তাবগী পরিং অসি ফোঙদোরক্লবা মতুং কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি মালেমগী ওইনা লাকশিল্লবা মতুংদা অনৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংগী অনৌবা লিষ্ট অমা থোক্কনি। মদু ফাওবগী মনুংদদি থা অসিগী ১৫দা থোরক্কদৌরিবা রেঙ্কিং অদুদগী অহোংবা অমত্তা লৈরোইদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, আই টি টি এফকী প্রসিদেন্ট অমসুং ষ্টাফশিংনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্লবদা মতেং ওইননবা মখোয় মখোয়গী থাগী ওইবা তোলোপশিং অদু হন্থনা লৌরগা অরেম্বা অদুনা মতেং পীগদৌরি।

# অম্ফানা পায়খৎলিবা গ্রাসরুট প্রোগ্রামনা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা চাওনা কান্নবা পীরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লিবা গ্রাসরুট প্রোগ্রামশিংনা হৌগৎলক্লিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা চাওনা কান্নবা পীরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী মীৎয়েং মখাদা চত্থরকপা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম অসিনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংবু মখোং শেংনা অমদি হেন্না ফজহন্দুনা নেসনল অমদি ইন্টর্নেসনল থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনবনি। লোয়ননা মশান্না অসিগী প্রোফেস্নেল ওইনা চৎনিংবা কয়াদসু মতেং ওইরগনি।

পনবা য়াই, গ্রাসরুট প্রোগ্রাম অসি ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী কাংলুপ মরি- চহী ৬ তগী ৮ ফাওবা, চহী ৯দগী ১০ ফাওবা, চহী ১১দগী ১২ অমসুং চহী ১৩ অদগী ১৪ ফাওবগী ওইনা পাঙথোক্লিপনি। প্রোগ্রাম অসি চয়োল খুদিংগী থাংজাগী অয়ুক পুং ৬তগী ৭ ফাওবা অমসুং নোংমোইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬তগী ৮ ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। অম্ফাগী মায়কৈদগী কোচশিংনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থাদুনা মদুদা চঙগদবা এক্সপেন্দিচর অমদি বোলনচিংবা কয়া পুথোক্লি।

ক্লব, এসোসিএসন, একাদেমিশিংনা গ্রুসরুট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনদা এফিলিয়েট তৌবগা লোয়ননা অম্ফানা রিকোমেন্দে তৌবা ওইগদবনি। হন্দক্তগা লোইশিনখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ২৬না শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী শান্নরোয় য়াম্না য়াওবা ঙম্বা ওইরিবনি।

এ আই এফ এফগী শেনথং মখাদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা পাঙথোকপা গোল্ডন বেবি লীগনা মণিপুরগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদসু চাওনা মতেং পাঙলি। লোয়ননা মণিপুর স্পোর্টস হাউসনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈবা অন্দ্রোদা পাঙথোকপা চহী ৬ মখাগী নুপামচা অমসুং চহী ১২ মখাগী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা মশিং য়াম্লবা ফুটবোল্লর ৭০০ রোমনা শরুক য়াবা ঙমখি। মসিনা তাকপদি এ আই এফ এফনা পায়খৎপা খোঙথাংশিংদা শৌগৎপগা লোয়ননা মায় পাক্না চঙশিল্লি।

# চহীসিদা মখা তাবা টেন্নিস শান্নবা য়ারোইদৌরি : লেৱিস




লন্দন, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): ওল ইংলেন্দ লোনটেন্নিস ক্লবকী চীফ একজিক্যুটিব ওইরিবা রিচার্দ লেৱিসনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলগী মতুং ইন্না কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাক ২০৪দা শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা চহীসিগী ওইনা টেন্নিস মশান্নগী ইভেন্ট অমত্তা লৈরোইদৌবগী ফিভম অমা লাক্লি হায়খ্রে।

মালেমগী অনীশুবা লানজাওগী মতুংদা অহানবা ওইনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ৱিম্বলদন গ্রাস কোর্ট টেন্নিস গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ক্লব অসিনা পাঙথোক্লরোই হায়না লাউথোকখ্রবনি।

চহীসিগী জুলাই থাদা ক্লব অসিগী চীফ একজিক্যুটিবকী ফমদগী পোত্থরগদবা রিচার্দ লেৱিসনা ফোঙদোকখিবদা ওগষ্ট ২৪দগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন মায় পাক্না পাঙথোকপা য়ানবা আশা তৌরি।

# কোরোনাভাইরসকী নামাদা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংবু হন্থনা য়েংলিবা অসি অচুম্বা থবক নত্তে : সুনিল সেত্রি




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি ইন্দিয়া য়ৌরক্তুনা মীওই ২,৫৬৭ নাহল্লবা মতুং মীওই ৭২না শীহনখ্রবনি। মসিগী মরক অসিদা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মীওইশিংনা হন্থনা য়েংদুনা রেসিজমগী ৱাখল্লো থল্লকপা অসি অচুম্বা থবক নত্তে হায়না ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল সেত্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অসি চাইনাগী মীওইশিংগা মায়থোং অমদি শওং শাদা মান্নবা মরম্না মখোয়বু 'চিংকি' হায়না মিং শীজিন্নদুনা লক্কবা অমদি করেম কথাইনবা য়াওরি। দিল্লিদা মীয়াই চল্লবা নুপা অমনা মণিপুরদগী হৌখিবী নুপীমচা অমদা কোরোনাভাইরস অসি নখোয়না পুরকপনি হায়না তিন শীৎচিনবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। মদুদা নত্তনা নাগালেন্দদগী মহৈরোয় অনী কর্নাটকাগী মৈসুর সিটিদা লৈবা পোৎ য়োনফম অমদা চঙহনখিদবগী থৌদোক লৈখি।

অসিগুম্বা কোরোনাভাইরসকী রেসিজম অসি য়াম্না থাক হন্থবা অমদি ইকায় নিংঙাই ওইরবা খোঙথাংনি হায়না সুনিল সেত্রিনা মখা তাখি।

রেসিজমগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরিবা মীওইশিং অসি মশানা লাইশু খঙদবা মীওই ঙাক্তনি, অচুম্বা নত্তে। মখা তানা তৌরোইদবনি হায়না সুনিল সেত্রিনা ফোঙদোকখি।

মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় অসিনা মীয়ামদা অপিল তৌরদুনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) কী হৌরকফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগা শক কুচু মান্নৈ হায়দুনা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা মীওইশিংবু হন্থনা য়েংলিবা অদুগী ৱাখল্লো অদুবু থাদোক্কদবনি।

হৌজিক হৌজিক বেঙ্গালুরু এফ সীগী কেপ্টেনসু ওইরিবা সুনিল সেত্রিনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মনুং অসিদা রেসিজমগী চৈথেং ফংলবা মীওই পুম্নমক্তা মহাক্না অশোইবা ঙাকপীয়ু হায়বা ফাওবা ফোঙদোকখ্রবনি। অসিগুম্বা রেসিজমগী থৌওং অসি শৌগৎপা মীওই মশিং য়ামদ্রবসু মখা তানা লাক্তনবা অপিল তৌখি।

মহাক্কী ৱারোলদা অতোপ্পা মেনলেন ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা করিগুম্বা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা থবক তৌদুনা লৈরবা মতুং করিগুম্বা মখল অমদগী নত্রগা অমদা লমদম অদুগী মীওইশিংদা মখোয়বু লক্লবা, তাথি তাওইনা তৌবা অমদি হন্থনা য়েংবগী থবক লাক্লবদি করম্না নুংঙাইগদগে হায়না অচৌবা ৱাহং অমা হংলি।

অতোপ্পা মায়কৈ অমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং লৌখৎলকপা খোঙথাংগী মতুং ইন্না 'ফিট ৱিথ ইন্দিয়ন ফুটবোল কেম্পেইন'গী খুত্থাংদা মমিং লৈরবা লৈবাক অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন মতমদা করম্না হকচাং ফনা লৈগদগে হায়বগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবগী থবক হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র, নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল শান্নরোয়শিংদগী হৌরগা ইন্দিয়ন এরোজগী টিম অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ৱর্ল্ড কপ শান্নগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা ফুটবোল পামজবা ভাবোকশিংদা ফুটবোল শীজিন্নদুনা করম্না লোকদাউন মতম মনুংদা হকচাং ফিট ওইনা লৈগদগে হায়বদু উৎকদৌরি।

কেম্পেইন অসিগী মনুংদা ভাবোকশিংনা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা মখোয়না হকচাং ফনা লৈবগী ভিদিও থাগৎলকপা অদুগী মনুংদা খল্লগা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমগী পোৎলম কয়া মনা ওইনা পীগদৌরি।

# প্রো লীগ হোক্কি জুলাই-ওগষ্টতা পাঙথোকপা য়ারি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা প্রো লীগ হোক্কি টুর্নামেন্টকী অনীশুবা এদিসন অদু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রবা মতুং লেমহৌবা মেচশিং অদু জুলাই অমসুং ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি।

ৱর্ল্ড হোক্কি বোদি অসিনা অহানবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ইভেন্টশিং এপ্রিল ১৫ ফাওবা য়ৈথোকখিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা মালেমগী কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মেচ ১৭ ফাওবা মখা তানা য়ৈথোকখি।

ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার থিয়েরি ৱেলনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎগী ফিভম অসি ফগৎলক্লবা অমদি লাকশিনবা ঙম্লবা মতুংদা চহী অসিগী জুলাই অমদি ওগষ্ট থাদা মখা তাবা প্রো লীগ চত্থনবা পান্দম থল্লি।

# টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস য়ৈথোকখিবনা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রাদা কান্নবা ফংহনগদৌরি



মুম্বাই, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহীসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী ১ য়ৈথোকখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ জেবিলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রাদা কান্নবা ফংহনগদৌরি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা নিরজ চোপ্রানা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ওলিম্পিক্সকী ট্রেক এন্দ ফিল্ড ইভেন্টকী অহানবা মেদল ফংবগী অচৌবা আশা থম্লিবনি। কম্মনৱেলথ অমসুং এসিয়ন গেমসকীসু চেম্পিয়ন ওইরিবা নিরজ চোপ্রা হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী অয়াম্বা শরুক মহাক্কী খুৎনিংদা ওপরেসন তৌরুবদগী কম্পিটিসন শরুক য়াদনা লৈরকখিবনি। অদুবু সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসন অমদা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা নিজর চোপ্রানা মিটর ৮৭.৮৬ লংদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

হায়রিবা কম্পিটিসন অদু নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর থাদগী খুৎনিং শোকপনা মরম ওইরগা শান্নবা লেপ্লুরবা মতুং অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। পঞ্জাবকী পাতিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা টর্কিগী ট্রেনিং কেম্পতগী হল্লক্লগা ক্বারেন্টাইন তৌদুনা লৈরিবা নিরজ চোপ্রানা ফোঙদোরকপদা মহাক হৌজিক হৌজিকমক চাদা ১০০ মশাগী ফিট ওইবগী চাং অদু য়ৌদ্রি।

মরম অদুনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী ১ থেংথনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা মহাক্না ৱাৎহৌবা মশা ফিট ওইবগী অমদি ট্রেনিং হেন্না ফংবগী খুদোংচাবা অমা লৈদুনা জেবলিন থ্রোদা মালেমগী মকোক থোংবা এথলেটশিংগা লম্বা তৌনবগীদমক শেম শাবগী মতম নীংথিনা ফংলগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকপা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী এথলেটিক্স পুৱারীদা অহুমশুবা এথলেট ওইনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা এসিয়ন গেমসতা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা মিটর ৮৮.০৬ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com